# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




য়েংখোম নেত্রমনি কোলেজ ওফ নর্সিং, ককচীংগী বি এস সী নর্সিংগী মরিশুবা বেটচতা ফর্স্ট সেমিষ্টর তম্লগদবী মহৈরোয়শিংগী লেম্প লাইটিং অমসুং ওথ টেকিংগী থৌরম পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবীশিং


লৌশিং পূক্কে : মৈখু শিজিন্নবনা ঐখোয় ইশাখক্তা নত্তনা ... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ টাইৱানদা নিঙোল চাক্কৌবা

"তম্ফা খুদোপ য়াইওইবা-!" ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ অরাম্বাই তেঙ্গোল হেদ ক্বার্টর অমসুং য়ু এম পি ...

লল্লোন ইতিকপু শুপ্পাই পায়বা মীওই খরনা লৈবাক ... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ বোক্সর ৩০৩না শরুক য়াদুনা অনীরকশুবা গভর্নরস...


সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মাওদা নৌনা শাগৎখিবা জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাসকী কোর্ট বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুল য়াওনা অতৈ জষ্টিসশিং অমসুং ওফিসলশিংনা শরুক য়াখিবা




Vol. 48, Issue No. 214 | শগোলশেন হিয়াঙ্গৈ ৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, November 07, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### নিঙোল চাক্কৌবদা য়ৈখাই থিনগাইবা পীরকখিদ্রবসু

## লৌরোক পান্থাদা কুকি টেররিষ্টশিংনা অমুক্কসু কারন তৌরক্লে লাইখোং অমসুং কৌক্রুকতা নোংমৈ কাপশিন্দুনা কাইহৌরক্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহী ২০২৩দা তমথীরবা লাননা মরম ওইদুনা মণিপুরগী লাই হাক্তক্তগী চথরক্লিবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্লখিদ্রবসু কুমসি চহীগীদি লান পাথরকপদগী নুমিৎ অসিগী থৌরমশিং পাক্তক্লনা পাঙথোক্লখিবদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মখল অমত্তগী য়ৈখাই থিনগাইবা থৌদোক থোকহল্লকখিদ্রবসু মমাঙগী চহীদা তৌখিবগুম্না হৌজিক লৌমীশিংগী লৌরোক পান্থা য়ৌশিল্লকপদা অমুক্কসু কারন তৌরক্তুনা ইম্ফাল ইষ্টকী লাইখোং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌক্রুকতা লৈবা খুঞ্জাশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা কাইহৌরকখ্রে।

লাইখোংগী থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ১১.৫০ রোম তারকপদা মফৌ দাম পুলিস ষ্টেসননা কোল্লিবা ইথম মোইরাং পুরেলগা তাইনবা লাইখোংগী এরিয়াদা থোকখিবনি হায়রি।

মফম অদুদা লৈবা খুঞ্জাশিংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মফম অদুগী নোংপোক থংবা সতাং চীং হায়না খঙনবা মফমদা লৈবা কুকি খুল লোমদগী মীতৈগী খুল তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। মখোয়না চথরকখিবা এটেক অদুদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংবু ঙাক শেন্দুনা লৈরক্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সকী পর্সনেলশিং অমসুং খুল ঙাকপশিংনা হন্দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপখি হায়রি।

থৌদোক অসিবু হকথেংনহৌবনি হায়বা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকপদগী মফম অদুদা দিপ্লোই তৌরকখিবা ৫/৯ গোর্খা রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংনা সাইরেন খোংলকপগা লোয়ননা নোংমৈ কাপথরকখিবা মায়কৈ তম্না নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখি। নোংমৈ খক্ত নত্তনা রেজিমেন্ট অসিগী পর্সনেলশিংনা বোম অমা ফাওবা কাপশিনবদগী কুকি টেররিষ্টশিং মখা তানা নোংমৈ কাপ্লকখিদ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসিদা মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে অদুবু লাইখোং মীতৈ খুলগী লৌবুক্তা লৌ খাওবা/য়ৈবা তৌজবা লৌমীশিংদি নোংমৈ মখোল তাবদগী শাফ্গদবা মফমদা চেনখৎনরকখি হায়রি। মখা তানা কুকি টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকখিবা য়াই হায়বদগী মফম অদুদা হান্নদগী হেন্না সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং খুল ঙাকপা খুঞ্জাশিংনা মীৎ-না শীংনা লৈনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ২.৫০ রোম তারকপদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পি এসনা কোল্লিবা কৌক্রুকতসু কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়রি। কুকি টেররিষ্টশিং অদুনা নেশনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লৈরিবা হরাওথেলগী অৱাং থংবা চীংথকলোমদগী মীতৈগী য়ুমশিং তম্না নোংমৈ কাপথরকখিবনি। থৌদোক অসিদসু মফম অসিদা দিপ্লোই তৌরক্লিবা ষ্টেট ফোর্সকী মায়কৈদগী হন্দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখি। অদুগা খুল ঙাকপশিংগী মায়কৈদগীদি কুকি টেররিষ্টশিং তম্না নোংমৈ মরূ অমা ফাওবা কাপখিদে। থৌদোক থোকফমদা লমশাং পুলিসকী টিম অমসু লাক্তুনা য়েংশিল্লখি হায়রি।

## এম এল এ-মিনিষ্টরশিং দেল্লীদা পাইশিন্নবা লেপত্রি নবেম্বর ৯দা দেল্লীদা করম্বা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবগে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ থাগী ১৫দা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা শীন্দুনা দেল্লীদা লৈবা মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসতা মণিপুরগী লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবনি হায়দুনা ষ্টেট অসিগী নাগা, কুকি অমসুং মীতৈগী এম এল এ-মিনিষ্টরশিং খরা কৌরগা তোঙান তোঙান্না ৱারী শানখিবগা ইকান কান্নদনা মণিপুর লৈঙাক পায়রিবশিংগী মনুংদা য়াওবা মিনিষ্টির অমদি এম এল এ ১৯না প্রাইম মিনিষ্টরদা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি হায়রিবদুগী ৱাফম লৈখায় তাদনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা ঙরাং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রত অমসুং বি জে পিগী এম এল এ অনী - এল রামেশ্বর মীতৈ অমসুং কে রোবিন্দ্রো দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মতুংদা ঙসিসু মিনিষ্টর অমগা এম এল এ অনীগা দেল্লীগীদমক খোঙশানখ্রে।

ঙসি দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিং অদুনা য়ুম্নাম খেমচান্দ, উরিপোক এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, কে ঐচ রঘুমনি অমসুং শগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ, আর কে ইমোনি হায়রি।



মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ

ঙরাং স্পিকর অমসুং এম এল এ অনীনা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মতুংদা ঙসিসু মখা তানা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমা য়াওনা এম এল এ অনীনা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনা করি করম্বা লৈঙাক্কী ওইবা থবক থৌরমশিংগী ওইরমগদগে নৎত্রগা মখোয়-মখোয়গী লন্নাইগী ওইবা থবকশিংগী ওইগদৌরিব্রা হায়না হংনরক্লি।

চৈরকসিদা, ষ্টেট বি জে পিগী লুচিংবশিংগা নক্ক বা মীওই অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা থা অসিগী ৯ থাংজ নুমিৎতা ন্যু দেল্লীদা মণিপুর লৈঙাক্কা মরী লৈনবা মরু ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক পাউচে অসিনা মীফম অদু বি জে পিগী ওইবা মীফল্লা নৎত্রগা আর এস এসকী লুচিংবশিংগা পূন্না বি জে পিগী লিদরশিংগা পাঙথোক্কদবা মীফম ওইগদ্রা হংবদদি হায়দোকউ হায়বা য়াখিদে। অদুম ওইনমক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা বি জে পি মণিপুর মন্দলগী প্রসিদেন্ট কৌদুনা দেল্লীদা চৎলুবা লৈবনিনা মণিপুর লৈঙাক খক্তগী নত্তনা পার্টি অসিগী তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেশনশিংগী লুচিংবশিং খনবা অমসুং তঙাইফদনা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ওইগনি হায়রি।

অদুগা মীফম অসি থা অসিগী ১৫দা হোম মিনিষ্ট্রিনা ইনিসিএটিভ লৌদুনা পাঙথোকখিবা লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবনি হায়বা নাগা, কুকি অমসুং মীতৈগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## 'ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক ৩দগী খাইদোক্লগা কুকি জৌশিংগী নেশন ১ শেমগনি হায়বদা লৈঙাক্না তূমিন্না লৈরিবা করিগীনো'

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অহুমদগী খাইদোক্লগা কুকি জৌশিংগী ওইবা তোঙানবা নেশন অমা শেমগনি হায়রক্লিবসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা তূমিন্না লৈরিবা করিগীনো হায়না



হংলদুনা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী লৈঙাক্তা ৱাহং কয়া হংলক্লি।

চহীসিগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৪দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ইন্দিয়ানাপোলিসতা পাঙথোকপা কুকি জৌশিংগী মীফম অমদা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমানা কুকি জৌশিংগী ওইবা নেশন অমা শেম্বগী মতাং য়াওনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা এম পি সী সীগী মায়কৈদগী ৱাহংশিং অসি হংলকখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীফ মিনিষ্টর্স কোচিং স্কিম ফোর এন্ত্রান্স এগজামিনেশন টু প্রোফেশনেল কোর্স হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী মহৈরোয়শিং মরু ওইনা মেদিকেল অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিংগী লম্দা মহৈ তম্নীংবশিংনা এন্ত্রান্স এগজামিনেশন মায় পাক্লা থেংনবা ঙমহন্নবগী কোচিং পীনবগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি চীফ মিনিষ্টর্স কোচিং স্কিম ফোর এন্ত্রান্স এগজামিনেশন টু প্রোফেশনেল কোর্স কৌবা স্কিম অমা বাবুপড়াদা লৈবা মহাক্কী সেক্রেটেরিএটকী



দরবার হোলদা হৌদোকখ্রে।

স্কিম অসি হৌদোক্লদুনা মহাক্না হায়, লৈঙাক্না মণিপুরীশিংবু সিভিল সর্ভিসকী এগজাম মায় পাক্লা থেংনবা ঙম্নবগীদমক অহানবদা ওনলাইন অমদি ওফলাইন অনীমক্তা লেম্না কোচিং তৌবগী থবক পায়খৎপা লৈখ্রে। মসিগা মান্ননা প্রোফেশনেল কোর্সশিং মরু ওইনা মেদিকেল অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিংগীসু এন ঈ ঈ টি অমদি জে ঈ ঈ এগজাম থানবগীদমক ...মখা লমায় ৩ কলম...

## প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী আই সী য়ু-সী সী য়ুদা থম্বা পেসেন্টশিংগী গাইদলাইন শেম্বগা মরী লৈনবা কেসকী হিয়ারিং সুপ্রিম কোর্টনা চথখিগদৌরি

**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা চলাইরিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লৈবা ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু), ক্রিটিকেল ক্যের য়ুনিট (সী সী য়ু) শিংদা থমদুনা লায়েংবা পেসেন্টশিংদা পীফম থোকপা অনা-লায়েংগী থবক চথনবা গাইদলাইনশিং শেম্বীয়ু হায়রদুনা ঙসিদগীনা চহী ৭কী মমাঙদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগা মরী লৈনবা ৱায়েলশিং এপেক্স কোর্ট অসিনা মখা তানা চথখিগদৌরি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১



## দোনাল্ড ত্রম্পনা য়ু এসকী খ্বাইদগী চহী য়াম্বা প্রসিদেন্ট ওইরে



**ৱাশিংটন, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী) :** ঙরাং পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা লম্বা তৌনখিবা দেমোক্রেটিক পার্টিগী কমলা হেরিসপু মায়থীবা পীরমখিবা মশাগী চহী ৭৮ শুরবা রিপব্লিকান পার্টিগী দোনাল্ড ত্রম্পনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইখিবশিংগী পুৱারীদা ফম অসি পায়বা খ্বাইদগী চহী য়াম্বা মীওই ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## উখ্রুলগী জেদ ঈ ও ওফিসতা বোম থল্লম্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা উখ্রুলগী জেদ ঈ ও ওফিসকী চঙফমদা বোম অমা প্লান্ট তৌদুনা থল্লম্লে হায়রি। থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী পুলিস অমসুং এ আরনা মফম অদু কোয়শিন্দুনা থল্লবা মতুংদা ইম্ফালদগী লাকপা বোম দিস্পোজেল স্কৱাদনা নুংথিল পুং ৪.২০ লোম তারকপদা মী শোকহন্দনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

## মাওদা জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাসকী কোর্ট বিল্ডিং শঙ্গাখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ৪.০৭ পুথোক্লগা ষ্টেট লৈঙাক্না লুপা লাখ ৪৫.৩২ পুথোক্তুনা মমাঙ চহী ২০২৩গী ওক্টোবর ১২দগী পূন্না লুপা ক্রোর ৪.৫৩ চঙনা শাগৎলকখিবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মাওদা জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস (জে এম এফ সী) গী কোর্ট বিল্ডিং ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুলনা শঙ্গাখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## 'হুইয়েন লানপাউ' না অকাম্পাৎ রিলিফ কেম্পকী নিঙোল পূন্নমক্তা চাক্কৌবগী খুদোল তম্বীরম্বগীদমক থাগৎচরি : সী ও পি এম ভি



ইম্ফাল ইষ্টকী অকাম্পাৎতা লৈবা আইদিএল গর্লস কোলেজ কেম্পসতা হাংবা থোংজু কেন্দ্র রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী নিঙোলশিংদা চাক্কৌবগী খুদোল তম্লখিবা হুইয়েন লানপাউগী পব্লিশর, এদিটর অমসুং ষ্টাফশিংগা পূন্না নম্মিন্নবা ফোটো

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী অকাম্পাৎতা লৈবা আইদিএল গর্লস কোলেজদা হাংলিবা থোংজু রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী নিঙোলশিং অমসুং মখোয়গী মচা-মশু পূন্নমক্তা 'হুইয়েন লানপাউ' পাউচেগী পব্লিশর, এদিটর অমদি ষ্টাফশিংনা ঙসি লাকপীদুনা নিঙোল চাক্কৌবগী খুদোল তম্বীরম্ববু কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ মীতৈ ভিক্টিমস, মোরে (সী ও পি এম ভি) গী ভাইস ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## নহা ১ নোংমৈনা কাপ্লম্লে, লৈশাবী ১ নোংমৈ মরূনা পাল্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা মশক খঙদবা মীওই খরনা বিষ্ণুপুরগী আই টি আই ওফিস মনাক্তা নহা অমা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী রিমস হোস্পিটালদা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

শোক্লবা নহা অদুগী মমিং খ্বাইরাকপম অমরজিৎ (২৫) অপোকপা কে ঐচ খেলেন কৌই। মোইরাংগী থম্নাপোকপী ময়ায় লৈকায়দগীনি হায়রি।

মহাক্কী ওই থংবা কলর বোন্দ মনাক্তা নোংমৈ মরূ অমা পানবনি হায়রি। অদুম ওইনমক মহাক কন্নানা করি মরমগীদমক নোংমৈনা কাপ্লল্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা লম্ফেলগী এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ ওফিস মনাক্তা লৈবা মহৈকোল স্কুলগী গর্লস হোষ্টেলদা লৈবী সিনাম লনচেনবী (১৮) অপোকপা এস রোমেন কৌবা থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকায়দগী লৈশাবী অমা কদোমদগী পাইরকপনো খঙহৌদবা নোংমৈ মরূ অমনা নিঙ্গোংদা পানবদগী শোক্তুনা রিমসতা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক মখা তাবা লায়েং চথনবগীদমক মহাক রিমসতগী রিফর তৌরক্তুনা শিজ হোস্পিটালদা লায়েংলি হায়রি।

## সর্ভে-দিমার্কেশন তৌবীগনু হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৈবোক চীংগী ওমখৈ খঙদোক্লবগীদমক সর্ভে/দিমার্কেশন তৌগনি হায়রকপগী মায়োক্তা খুল নম্বর ৬৮-হৈবোক চীংগী মনুং চনবা মফমশিংদা হায়রিবা থবক অসি মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না তৌবীগনু হায়না কাখুলোং, জেলিয়াংরোং বিল্ডিংদা লৈবা জোইন্ট কোওর্দিনেশন কম্মিটি এগেনষ্ট দি ফোরেষ্ট রেজরভেশন ওফ লংথবাল চীংথক, চীংখা এন্দ থৌপুম চীং (হিল) রোংমৈ/কবুই ভিলেজ অন্দর ৬৮-হৈবোক চীং, ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেক্রেটরিনা দি সীদা অইবা চেরোল অমা ঙরাং পীশিন্দুনা হায়জখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## নুপীনা কপ্পগী মখোল তাবদগী লাইথৌ পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** থা অমরোমগী মমাঙদগী ওইনাম নোংথোম্বমদা মীয়াই চল্লবী নুপী অমগী খোঞ্জেল ওইনা থম্মোয় শোক্লা কপ্পগী মখোল তারকখি হায়বদগী ঙসি অয়ূক পুং ১০ তারকপদা নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা মফম অদুদা চৎতুনা লাইথৌ পাঙথোকখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ইচানুপী ময়ূম-মকৈ পানবা য়ারক্লে, লৈঙাক্না লেম্না পীজবা চাক চানীংলক্ত্রে, ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো, ইচা-ইশুগীদমক শূজ-নোমজগে : নিংথৌ


রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী

হকথেংনবা পাউদম

তুইবোংদগী খুঞ্জা অমা

(ঙরাংগী মখা...)


থিয়াম নিংথৌনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, ঙাইহাক লৈরগদি নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তারকখি। ইচানুপীনা চাক থাংদোরকপদগী ঐসু ঈরাং অসি মঙং অমনি, চাক চাথোকহৌরসি হায়না চাখি অদুবু নুংথিলগী পুং ৫.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদদি নোংথক্তা মৈখু অমদি মৈরিকশিংনা পীক থল্লকখি। হায়রিবা মৈখু অমসুং মৈরিকশিং অদু মীতৈগী য়ূমশিং পাক্তক্লনা মৈ থারকপগীনি। মদুগী মরক্তা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্পগী মখোল অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী মখোলনসু পুমনিল নিল্লকখি। য়ূমগী মনীংদা লৈবা মচি অমদা ইচানুপীগা ইবানি লোৎখি।

য়ূম থাদোক্তুনা চেনগদবসু লম্বী লৈতবদগী লোৎখিবনি। চেনফম লম্বীশিংদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা পুমথন থন্না ঐখোয়বু থৎচিল্লগা থমখি অদুগা ঙাইহাক লৈরবদি ঐখোয়গী য়ূমসু মৈ থাননবা চঙশিল্লক্লগা ঐখোয়বুসু কোয়থি থিরক্লবদি হায়দনা ইপা ইচানা লোৎখিবসি মখোয়না খঙখ্রগনি হায়না য়ূমগী মনিংলোমদা চৎলগা খুগা তরেল মপান লোমদা লোৎলুরসি হায়না চৎখি।

ঈশিং খরা থেনবা তুরেলগী মফম থিরগা তোর্বান্দা চৎলি অদুবু তৌ য়াম্না অমদা চঙশিল্লগা লৈখি। নুমিদাং থেংজিল্লক্লবসু লাউ-খোংবা অমসুং টিয়র গ্যাস কাপ্পগী মখোল হন্থখিদে। তুরেল খোংনুংদগী য়েংখৎলকপদা য়ূম মৈ চাকপগী মৈরিক্লা নোংথক্তা পীক থনখি। ইচানুপীগা ঐগদি অতোপ্পা মীওইশিংগা চেনমিন্নবসু নংহৌদবনিনা খুগা তুরেল তোর্বানগী তৌ মরক্তা অহিং অদুমা লোৎখি।

তূম্ফম লৈবা মফমসু নত্তবনিনা ইচানুপীবু কিদনবা ৱারী লীবীদুনা অহিংদুমা হৌখিনবা হোৎনখি। নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তারকপা অদুৱাইদা লাউ খোংলম্বা পূন্নমক খরা হন্থখ্রে হায়দুনা লৈকায়গী মীওইশিংদা ফোন তৌবদা সেক্রেটেরিএটতা লাকউ, মফম অতৈদা লৈরুবদা শাফররোই হায়রকখি। তুরেলদগী কাখৎলক্লগা কিনা-কিনা সেক্রেটেরিএটতা চেনশিনখি। মফম অদুদা লৈরম্বা মীতৈ মচা ময়াম অদু উরগা ইপা ইচাগী থৱায় হিংলগনি খনখি। অসুম্না কুকশিংনা লান্দারক্কনি হায়বা মাঙজৌননা খঙহৌদবনিনা য়ূমদগী খুদৈ অমা ফাওবা লোয়নরকখিদে। মফমদুদা নুমিৎ মঙানি রোম লৈখি। চাকসু এঞ্জাং য়াওদনা চাখি, সুপর ফাইনগা হৱাইগা পূন্না থোংজিনবা ঙাক্তনি। চখোম অনী শুনা চাবা য়াখিদে। চাক চানবা পুখম লৈতদুনা সিফাইশিংনা য়েল্লকপা অপীকপা অঙাংগী বিস্কিটনচিংবা য়োম্বা চেরংদা শেগাইরগা চাক হাপ্তুনা চারকখি। শেৎলিবা ফিরোলসু অহেনবা য়াওরক্তবনিনা লৈমায়দা ইশানা তোংলকপা শেন্দলদা মোন খাঙলগা অহিং ৪/৫ রোম তূল্লকখি। (মথং-মথং)

## দেঙ্গিগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ২৪ থেংনরে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুমিদাং দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসনা অপলোদ তৌরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা দেঙ্গিগী পোজিটিভ কেস ২৪ থেংনরে হায়রি।

অনৌবা কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ২০ থেংনরগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা কেস মরি থেংনখিবনি। নৌনা থেংনবা কেস ২৪ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা থেংনবা অপূনবা দেঙ্গিগী কেস মশীং ২১০২ শুরে। অপূনবা মশীং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা কেস ১৪৮৪ থেংনদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না পোজিটিভ কেস থেংনবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরে। অনীশুবদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ডা. চাম্বো গোনমৈনা দিরেক্টর ওইরে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙগী ও এস দি ওইবদা নত্তনা এদিসনেল দিরেক্টরগী অহেনবা থবকসু পুরকখিবা ডা. চাম্বো গোনমৈবু হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ওইনা পোষ্টিং পীখ্রে। মসিগী মতাংদা ঙসি দি পিগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইবা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

## দিসেম্বর ১৪দা নেশনল লোক অদালট

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী মেম্বর সেক্রেটেরি অলেক মুইভানা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা মথং থাগী ১৪দা ষ্টেট অসিদা নেশনল লোক অদালট পাঙথোক্লগনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫